# কোংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিটিনা রাহুল গান্ধীবু পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওইহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২০(এজেন্সী):
কোংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিটি (সী দব্লিয়ু সী)না ঙসি রাহুল গান্ধীবু পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওইহন্নবগী মতাংদা ৱারেপ লৌখ্রে। কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট খন্নবগী মীখলগা মরী লৈননা নোটিফিকেসন দিসেম্বর ১ দা থোক্লগনি। মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎনা দিসেম্বর ৪ নি। দিসেম্বর ১৬ তা ভোট থাদনরগা দিসেম্বর ১৯ দা ফল লাউথোক্কনি হায়রি।

ঙসি পাঙথোকখিবা সী দব্লিয়ু সীগী মীফমদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধী, ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী, হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহ, পার্টিগী সিনিয়র লীদর মালিক অর্জুন খার্গে অমদি অহমদ পটেল শরুক য়াখি।

ছোর্স অমগী মতুংইন্না হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা রাহুল গান্ধী মথন্তা মীরেপ ওইনা চোংথোরকপা য়াই হায়রি।

দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মমাঙদা পার্টিনা ওর্গনাইজেসনগী মীখলগা মরী লৈনবা থবক থৌরম পূম্নমক লোইশিল্লগা ইলেক্সন কম্মিসনদা রিপোর্ট অমা থাগৎকদৌরি।

মমাঙদা কোংগ্রেসনা ওক্টোবর থা মনুংদা ওর্গনাইজেসনগী মীখলগা মরী লৈনবা থবক থৌরম পূম্নমক লোইশিনগনি হায়না মতম লেপ্পুরবনি।

চৈরকসিদা, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমসুং ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী লুচিংবা জিতেন্দ্র সিংহনা হায়খ্রে মদুদি, কোংগ্রেসনা মীখলদা মায়থীবা ফংবা খূদিংগী রাহুল গান্ধীবু পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওইনা পুখৎনবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখি। হন্দকসু পার্টি অসিনা মীখলদা মায়থীবা ফংখ্রবা মতুংদা রাহুল গান্ধীবু পার্টি প্রসিদেন্ট ওইনা পুখৎনবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

পনবা য়াবদি, অথুবা মতমদা রাহুল গান্ধীনা পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওইরগনি হায়না কোংগ্রেস লুচিংবা কয়ানা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরিশিংগী ওইবা মীফম অমদা রাহুল গান্ধীবু অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইনা খনবগী ৱাফম পুখৎখি। মীফম অদুদা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা পার্টিগী অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা খন্নবগী থৌরাং অথুবা মতমদা পায়খৎনবা ৱারেপ লৌখিবনি। থেংলবদা নবেম্বর থা মনুংদা অনৌবা প্রসিদেন্ট খনবগী থৌরাং পূম্নমক লোইশিল্লগনি হায়রি।

দিসেম্বর ৩১গী মমাঙদা রাহুল গান্দীনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইখিরোই হায়না পার্টি মনুংগী সোর্ছ অমনা মমাঙদা ফোঙদোকখ্রবনি। গুজরাটকী এসেমব্লি ইলেক্সন পাঙথোক্কদবা লৈবনা রাহুলবু খুদক্তা প্রসিদেন্ট ওইহন্নবা থৌরাং থেংথহনখিবনি হায়রি।

রাহুল গান্দীনা কোংগ্রেসকী লূচিংবা ওইবগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ প্রোগ্রেসিব এলাইয়েন্স অমদি লৈবাক্কী লূচিংবা ওইবদা থিংবিনবা লৈতে। অদুবু হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা পার্টিগী ফম শিন্দোক শীজিন তৌবা মতম চাদবা মরম্না মহাকপু খুদক্তা পার্টি প্রসিদেন্ট ওইহন্দবনি হায়না পার্টিগী ছোর্স অমনা ফোঙদোকখি।

অথুবা মতমদা রাহুল গান্ধীনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট ওইরগনি হায়না রাহুলগী অপোকপী সোনিয়া গান্ধীনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দগী অরুনাচল খোঙচৎ চাইনানা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২০(এজেন্সী):
প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দগী অরুনাচল প্রদেশ খোঙচৎপু চাইনানা অকন্নবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন লু কাননা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, য়ূমলোন্নবা লৈবাক অনীগী মরী অরুবা তানফম অমদা লৈরিঙৈগী চৈরক্তা ইন্দিয়ানা য়েৎননিংঙাই ওইবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎপা তৌরোইদবনি।

নাকল অনীনা ৱারী শানদুনা য়ানবা পুরক্লবা হোৎনরিঙৈগী চৈরক্তা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টনা য়েৎনরিবা অরুনাচল প্রদেশতা লাকপা হায়বসি অচুম্বা থৌওং নত্তে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

নুমিৎ নীনিগী অৱাং-নোংপোক খোঙচৎতা লাকখিবা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা ইন্দিরা গান্ধী পার্কতা পাঙথোকপা বিবেকানন্দ কেন্দ্রগী ৪০ শুবা কুমওন থৌরমদা শরুক য়াখিবনি। তুংদা মহাক্না অনৌবা এসেমব্লি বিল্ডিং অমা শঙ্গাখিবগা লোয়ননা অখন্নবা এসেমব্লিগী মীফম অমদা ৱা ঙাঙখি।

ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা অরুনাচল প্রদেশতা লাকপা মতমদা চাইনানা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাকখিবনি।

দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মালা সিতারামনগী অরুনাচল প্রদেশ খোঙচৎপুসু য়ানিংদবা ফোঙদোক-খিবগা লোয়ননা চাইনানা হায়খিবনি মদুদি, য়েৎনরিবা মফমদা ইন্দিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর লাকখিবা থৌওং অদুনা রিজন অসিদা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা হোৎনবদা অকায়বা থোকহল্লগনি।

সিতারামননা চাইনাগা লোন্নবা অরুনাচল প্রদেশকী অঞ্জো দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা আর্মিগী পোষ্ট অমদা চৎতুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী থৌওংশিং য়েংশিনখিবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সপার্সন হুৱা চুনয়িংনা পাউমীশিংদা হায়খি, ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী ঙমখৈদা লৈবা য়েৎনরিবা মফমদা ইন্দিয়ন দিফেন্স মিনিষ্টরনা লাকখিবগী থৌওং অদুনা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা হোৎনবদা অকায়বা থোকহল্লগনি।

নাকল অনীনা ঈং তপ্না ৱারী শানদুনা য়ানবা পুরক্লবা হোৎনবগী মহুৎতা অমনা অমদা কায়হৌবগী থৌওং চত্থরোইদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

চাইনানা অরুনাচল প্রদেশপু সাউথ টিবেটকী শরুক অমনি হায়না ক্লেম তৌরিবনি। য়েৎনরিবা মফম অসিগী মতাংদা নাকল অনীনা কয়ারক হন্না ৱারী শানখ্রবসু হৌজিক ফাওবা য়ানবা পুরকপা ঙমদ্রি।

মমাঙ থাদসু দিফেন্স মিনিষ্টর নির্মালা সিতারামননা সিক্কিমদা লৈবা ইন্দো-চাইনা বোর্দরগী নাথুলা এরিয়াদা চৎতুনা পিপলস লিবরেসন আর্মিগী লান্মীশিং উনখিবনি।

সিক্কিমগী দোক্লামদা চাইনাগী লান্মীশিংনা লম্বী শেম্বগী থবক পায়খৎলকপদগী নাকল অনী মতম শাংনা মুক্নবগী থৌদোক অমসু লৈখ্রে। চাইনিজ লান্মীশিংনা লাদাখতা পাঙ্গোং লেক মনাক্তা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকখিবা থৌরাং অমসু ইন্দিয়ন আর্মিনা অরেম্বা তাহনখ্রবনি।

য়েৎনরিবা মফমদা ইন্দিয়াগী লুচিংবা কয়া হঞ্জিন-হঞ্জিন লাকপগী থৌওংনা লৈবাক অনীগী মরীদা অকায়বা থোকহল্লগনি হায়না চাইনানা ফোঙদোকখি।

# সুপ্রিম কোর্টনা ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জগী মতাংদা থাঙ্গৎলকপা পিটিসন লোইশিনখ্রে



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২০(এজেন্সী):
সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জগী মতাংদা রেগুলেসন শেম্বা ওইথোক্লোই হায়না ফোঙদোরকখ্রবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টনা হীরম অসিগী মতাংদা থাঙ্গৎলকপা পিটিসন অমত্তা লৌররোই হায়না লাউথোকখ্রে।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা এপেক্স কোর্টতা হায়খি মদুদি, ইন্সটেন্ট মেসেজিং এপ্ হ্বাটসএপ্কী খূথাংদা শান্নবা ওনলাইন গেম ওইবা মরম্না ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জ থিংনবগী মতাংদা কাঙলোন শেম্বা ওইথোক্তে।

ওক্টোবর থাদা সুপ্রিম কোর্টনা ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জবু নেসনল প্রোব্লেমনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা মীপূম খূদিংমক ৱাখল তাহন্নবা দুর্দরশন অমদি প্রাইভেট টেলিভিজন চেনেলশিংদা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

হিয়ারিং চত্থখিবা মতমদা সেন্টরনা হায়খি মদুদি, ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জগী মতাংদা এক্সপার্ট কম্মিটি অমা শেমদুনা য়েংশিনহনখিবগা লোয়ননা চয়োল অহুমগী মনুংদা রিপোর্ট অমা পীখৎলক্লগনি। গেম অসি শান্নরুবদগী মীওই কয়া শিবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা এপেক্স কোর্টনা সেন্টরদা অখন্নবা থৌরাং অমা খূদক্তা লৌখৎনবা খঙহনখি।

খূদোংথীনিংঙাই ওইবা ওনলাইন গেম ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জ থিংনবগী মতাংদা থাঙ্গৎলকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমগা মরী লৈননা এফিদেবিট ফাইল তৌরক্লবা বোম্বে হায় কোর্টনা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টতা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

সিটিজন সর্কল ফোর সোসল ৱেলফ্যের এন্দ এদ্যুকেসন কৌবা এন জি ও অমনা খূদোংথীনিংঙাই ওইরবা ওনলাইন গেম অসি থিংজিন্নবা পি আই এল অমা ফাইল তৌরকখিবনি।

চীফ জষ্টিশ মঞ্জুলা চেলুরনা লুচিংবা বেঞ্চ অমদা সেন্টরগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট হিটেন ভেনিগা-উনকরনা হায়খি মদুদি, চপ মান্নবা কেস অমা গুজরাট হায় কোর্টতা পন্দুনা লৈরি।

# দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ইজরেলদগী মিসাইল লৈনবা থৌরাং তোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২০(এজেন্সী):
দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ইজরেলদগী দোল্লর মিল্লিয়ন ৫০০ গী স্পাইক এন্টি টেঙ্ক গাইদেদ মিসাইল (এ টি জি এম) লৈনবগী মতাংদা লৌখৎলম্বা থৌরাং অমা তোকখ্রে।

মপান লৈবাক্তগী খূৎলায় লৈবগী মহুৎতা মেন-পোর্টেবল এন্টি টেঙ্ক গাইদেদ মিসাইল (এম পি এ টি জি এম) শেমগৎতুনা আর্মিদা খূৎশিন্নগ-দবনি হায়না মিনিষ্ট্রিনা দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি আর দি ও)দা খঙহনখি।

মপান লৈবাক্কী টেক্নোলোজি অমত্তা শীজিন্নবা তৌদনা চহী ৪গী মনুংদা দি আর দি ওনা অনৌবা ৱেপন সিষ্টেম অমা শেমগৎলবা য়াই হায়না থাজনরি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ছোর্স অমনা হায়খি, দি আর দি ওনা পায়খৎপা ইন্দিজিনস ৱেপন সিষ্টেম প্রোগ্রামদা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই হায়না চিংনবদগী মিনিষ্ট্রিনা ইজরেলদগী এ টি জি এম লৈনবা থৌরাং খোঙফম হন্দোকখিবনি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা বেজ তৌবা রেথিয়ন-লোকহিদ মার্টিননা খূৎলায় য়োনবগী মতাংদা পুখৎলকখিবা ৱাফম অমসু ইন্দিয়ানা য়াখিদ্রে।

ইন্দিয়া অমদি ইজরেলগী মরক্তা নক্লবা মরী থম্নখিবগা লোয়ননা হীরম কয়াদা লৈবাক অনীনা থৌরাং কয়া লৌখৎমিন্নদুনা লাকখিবনি। থা অসিগী হৌগৎলকপদা ইজরেলনা পাঙথোকখিবা খ্বাইদগী চাওবা এরিএল এক্সর্সাইজ ব্লু ফ্লেগ ২০১৭ তা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্স (আই এ এফ)সু শরুক য়াখিবনি।

গ্রুপ কেপ্টেন মালুক সিংহনা লুচিংবা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী মীওই ৪৫ না শাবা টিম অমনা খা থংবা ইজরেলগী উবদা এয়র ফোর্স বেজদা চৎতুনা লানগী শাজেল অদুদা শরুক য়াখিবনি। চৈরকসিদা, ইন্দিয়ন আর্মিনা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিদা অইবা চেরোল কয়া থারত্তুনা অনৌবা মখলগী মতমগা চুনরবা খূৎলায় কয়ামরুম লৈনবা তকশিল্লকখ্রে।

# দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা কাশ্মীর তম্পাক্কী মিলিটেন্টশিংদা অকনবা ৱার্নিং পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২০(এজেন্সী):
বন্দিপোরাদা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অমদা মকোক থোংবা পাকিস্তানি টেররিষ্ট অমা শিখ্রবা মতুংদা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়খ্রে মদুদি, টেররিজমগী মায়োক্তা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাক্লি।




টেররিজমগী থৌওংশিং থিংবগা লোয়ননা ঙমখৈ ৱাংমদগী টেররিষ্ট কয়া চঙলকপা ঙমহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলে হায়না মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর দিফেন্স সুভাস ভামরেনা ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি, কাশ্মীর তম্পাক্তা লৈরিবা টেররিষ্ট পূম্নমক ইন্দিয়ন আর্মিনা তকথোক্লবা থৌরাং লৌখৎপা লোইরে।

নোংমাইজিং নুমিৎতা থোকখিবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অমগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, চহী অসিগী মনুংদা ইন্দিয়ন আর্মি অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মীর পুলিসনা টেররিষ্ট ১৯০ হাৎপা ঙম্লে। হায়রিবা টেররিষ্টশিং অদুগী মনুংদা ৮০ দি কাশ্মীর তম্পাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈবা মীওই ঙাক্তনি অমসুং অতোপ্পা টেররিষ্ট ১১০ অদুনা মপান লৈবাক্কী মীওইশিংনি। মপান লৈবাক্তগী চঙলকপা টেররিষ্ট ১১০ হাৎখিবগী মনুংদা ৬৬ তি ঙমখৈ লানশিল্লক্লবা হোৎনবদা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) মনাক্তা হাৎখিবনি।

হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা অৱাং থংবা কাশ্মীরগী বন্দিপোরাদা লাস্কর-ঈ-তোইবা (এল ঈ টি)গী মকোক থোংবা টেররিষ্ট ৬ সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা হাৎখ্রবনি। লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা মুম্বাই টেরর এটেকতা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা জাকি উর রহমন লকবিগী মমাকনুপা অমসুং জমাট-উদ-দৱাগী সেকেন্দ ইন কম্মান্দ অব্দুল রহমন মকি য়াওখি। থৌদোক অদুদা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী গরুর কম্মান্দো অমসু শিখিবনি।

# সিয়া ৱাকফ বোর্দনা অযোধ্যাদা রাম টেম্পল শারগা লক্ষ্নৌদা মোস্ক শাবদা অকায়বা লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে



লক্ষ্নৌ, নবেম্বর ২০(এজেন্সী):
য়েৎনরিবা অযোধ্যাগী মতাংদা সিয়া সেন্ট্রেল ৱাকফ বোর্দনা হায়খ্রে মদুদি, অযোধ্যাদা রাম টেম্পল শারগা লক্ষ্নৌদা মোস্ক শাবদা অকায়বা লৈতে।

সিয়া ৱাকফ বোর্দকী চ্যেরমেন সয়দ ৱাসিম রিজবিনা পাউমীশিংদা হায়খি, তোঙান-তোঙানবা কাঙলূপশিংগা খন্নরবা মতুংদা য়েৎনরিবা নাকল অনীগী মরক্তা য়ানবা পুরক্লবগী পান্দমদা অনৌবা থৌরাং অমা লৌখৎনবা শেম শারে। থৌরাং অসিগী মতুংইন্না অযোধ্যাদা রাম টেম্পল শারগা লক্ষ্নৌদনা মোস্ক শানবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

আর্ট ওফ লিভিংগী ফাউন্দর শ্রী শ্রী রবি শঙ্করনা অযোধ্যাগী ৱাথোক লোইশিনহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংগনি হায়খিবা ৱাফম অমবু মুস্লিম পার্সনেল লো বোর্দনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

রবি শঙ্করনা হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ উনদুনা ৱারী শানরবা মতুংদা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগী অদিত্যনাথকা উনখ্রবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা অখিল ভারতিয়া অখরা পরিষদকী প্রসিদেন্ট মহন্ত নরেন্দ্র গীরিনা হায়খি, রবি শঙ্করবু লাইনিংবা মীওই অমা ওইনা লৌফম থোক্তে। অচৌবা এন জি ও অমা লিংখৎতুনা শেল তাল্লিবা মীওই অসিনা মীয়ামগী মীৎয়েং চিংশিন্নবগী-দমক অযোধ্যাদা মীৎয়েং চঙলকপনি।

পনবা য়াবদি, কোংগ্রেসনা রবি শঙ্করবু গভর্ণমেন্টকী এজেন্ট অমনি হায়না মমাঙদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। অয়াম্বা মতমদা গভর্ণ-মেন্টকী মায়কৈদা লেপ্পুনা ৱা ঙাঙবা অমসুং থৌরাং কয়া লৌখৎলিবা মীওই অসি গভর্ণমেন্টনা থাদোকপা এজেন্ট অমা ওইনা লৌফম থোকই হায়না কোংগ্রেসনা ফোঙদোকখি। সুপ্রিম কোর্টনা দিসেম্বর ৫ দা য়েৎনরিবা অযোধ্যাগী মতাংদা অরোইবা হিয়ারিং চত্থনবা থৌরাং তৌরিবনি।

অযোধ্যাদা রাম টেম্পল শাবগী মতাংদা মুস্লিম অয়াম্বনা য়ানিংদবা লৈতে হায়না স্পিরিচ্যুএল লীদর শ্রী শ্রী রবি শঙ্করনা ফোঙদোকখ্রবনি।

আর্ট ওফ লিভিংগী ফাউন্দর অসিনা রাম জন্মভূমি বাব্রি মসজিদকী মতাংদা লৈরিবা চয়েৎনবা পূম্নমক কোক-হন্নবগী পান্দমদা তোঙান-তোঙানবা মীওইশিংগা লক্ষ্নৌদা ৱারী শানখ্রবনি।

অমরোমদা, শ্রী শ্রী রবি শঙ্করনা য়েৎনরিবা অযোধ্যাগী মতাংদা য়ানবা পুরক্লবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌবগী মথৌ তাদে হায়না বি জে পিগী এম পি ওইরম্বা রাম বিলাস বেদান্তিনা ফোঙদোকখ্রবনি।

মহাক্না হায়খি, আর্ট ওফ লিভিংগী লুচিংবা রবি শঙ্করনা মপান লৈবাক্তগী য়াম্লবা শেনফম লৌথদুনা এন জি ও চল্লাইরিবা মরম্না অযোধ্যাগী মতাংদা খূৎ থিংজিনবা মথৌ তাদে।

# র‌্যান : পুলিসনা অরানবা মওংদা ফাজিল্লুবা বস কন্দক্টর অশোক কুমার ঙসি থাদোক্লবা য়াই

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২০(এজেন্সী):
র‌্যান ইন্টরনেসনল স্কুলগী ৱাথোক্তা হরিয়ানা পুলিসনা অরানবা মওংদা ফাজিনখিবা বস কন্দক্টর অশোক কুমারবু হয়েং থাদোক্লবা য়াই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

অশোক কুমারনা বেল পীবীয়ু হায়না থারকখিবা পিটিসন অমা গুরুগ্রাম দিষ্ট্রিক্ট কোর্টনা কুপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা হয়েং নুংথিল পুং ৩ তাবদা অরোইবা ৱায়েল পীনবা থৌরাং তৌরি।

অশোক কুমারগী উকিল মোহিট বর্মানা হায়খি, হৌজিক ফাওবদা সী বি আইনা অশোক কুমারগী মায়োক্তা মতিক চাবা খূদম অমত্তা পুথোকপা ঙমদ্রি। দি এন এ টেষ্ট তৌবা মতমদসু র‌্যান ইন্টরনেসনল স্কুলগী মহৈরোয় প্রদ্যুমান থাকুর হাৎখিবদা অশোক কুমার চেন্নে হায়বগী খূদম ফংবা ঙমদ্রি।

র‌্যান ইন্টরনেসনল স্কুলদা প্রদ্যুমান থাকুর কৌবা মহৈরোয় অমা শিখিবগী মতাংদা থিগৎতুনা লাকখিবা গুরুগ্রাম পুলিসনা মরুওইবা খূদম চাংদম কয়ামরুম মাঙহনখিবগী খূদম ফংলে হায়না সী বি আইনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।



সী বি আইনা হীরম অসিগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবগা লোয়ননা র‌্যান ইন্টরনেসনল স্কুলদা ক্লাস এলেভেন তম্লিবা মহৈরোয় অমবু প্রদ্যুমান হাৎখিবগী মতাংদা মরাল শীখি।

গুরুগ্রামগী পুলিস কম্মিস্নর সন্দিপ খিরৱারনা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবদা য়াওখিবা ওফিসলশিং কৌখৎলগা অশোয়বা পূম্নমক ময়েক শেংনা খঙহনখি। মীহাৎপা পুথোক্লবা ইনভেষ্টিগেসন চত্থবদা অশোয়বা থৌরাং লৌখৎখিবা মরম্না ইনভেষ্টিগেসনদা খুমাঙ চাওশিনবা ঙমদবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মশাগী চহী ৭ শুবদা ঙাইরিবা প্রদ্যুমান থাকুর হাৎখিবগী মতাংদা পীখৎলকপা ইনভেষ্টিগেসনগী রিপোর্ট সী বি আইনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা গুরুগ্রাম পুলিসনা সী বি আইদা পীখৎখিবা ইনভেষ্টিগেসনগী রিপোর্ট অদু মপুং ফাদ্রিবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মমাঙ থাদা গুরুগ্রাম পুলিসনা হায়খিবনি মদুদি, র‌্যান ইন্টরনেসনল স্কুলগী বস কন্দক্টর অশোক কুমারনা প্রদ্যুমান থাকুর হাৎলম্বা য়াবগী খূদম ফংলে। অশোক কুমারনা চহী নৌরিবা নুপামচা অদুদা নৎতবা লিচৎ চৎনবা হোৎনখিবগী খূদম ফংলে হায়নসু গুরুগ্রাম পুলিসকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখিবনি।

গুরুগ্রাম পুলিসকী রিপোর্ট পীখৎলকখ্রবা মতুংদা লৈখিদ্রবা প্রদ্যুমানগী ইমুং-মনুংদা হায়খি মদুদি, মীহাৎ অসিদা চেন্নে হায়বগীদমক ফারবা বস কন্দক্টর অশোক কুমার মরাল লৈরমগনি হায়বা থাজদে।

# ৱেবসাইট কয়াদা আধার কার্দ পায়রিবশিংগী অকুপ্পা ৱারোলশিং উখোক্লে : য়ু আই দ এ আই

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২০(এজেন্সী):
সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ৱেবসাইট ২০০ রোম হেনবদা আধার কার্দ পায়রিবা মীওইশিংগী মমিং মথা অমদি অকুপ্পা ৱারোলশিং উখোক্লে হায়না য়ুনিক আইদেন্টি-ফিকেসন ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়া (য়ু আই দি এ আই)না ফোঙদোকখ্রে।

আর টি আই এপ্লিকেসন অমগী পাউখুমদা য়ু আই দি এ আইনা হায়খি মদুদি, থৌওং অসি খঙলকপদগী হৌজিক্তি ৱেবসাইটশিংদা য়াওরম্বা দেটা পূম্নমক লৌথোক্লে।

য়ু আই দি এ আইনা আধারগী অকুপ্পা ৱারোলশিং মীয়াম খঙনা লাউথোকপা তৌদ্রবসু সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংগী ৱেবসাইট ২১০ দা মীচম মীয়ামগী মমিং-মথা অমদি অকুপ্পা ৱারোল কয়া উখোক্লম্বা থেংনখি।

হৌখিবা চহী ৩ গী মনুংদা আধারগী মতেংনা দাইরেক্ট বেনিফিট ট্রান্সফর (দি বি টি) স্কিমগী খূথাংদা লুপা ক্রোর ৫৯,৬৭৭ কনবা ঙম্লে হায়না আধার কার্দকী মতাংদা কান্নবা ৱাফম কয়া পুখৎলদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা সুপ্রিম কোর্টতা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা অপূনবা মীশীংগী চাদা ৮৮ (মীওই ক্রোর ১১৮.৬৪) না হৌজিক ফাওবদা মশা-মশাগী আধার কার্দ লৌখ্রে হায়নসু সেন্টরনা সুপ্রিম কোর্টতা ফোঙদোকখি। আধার কার্দ শীজিন্নরগা বেঙ্কিং, মোবাইল কনেক্সন অমদি অতৈ খূদোংচাবা কয়া পীবগী থৌওংবু রাইট টু প্রাইভেসি শীংনবনি হায়না পুখৎলকখিবা ৱাফম অমগী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা হায়খি, হৌজিক ফাওবদা আধার কার্দ শীজিন্নরগা বেঙ্ক একাউন্ট ক্রোর ১২.৬৪ হাংদোকপা লৈখ্রে। আধার কার্দ লৌবদা চঙলিবা বাইওমেট্রিক দেটা হুরানবগী থৌদোক অমা ফাওবা থোকপা লৈত্রি।

আধারগী স্কিম য়ানিংদবা মীওই-শিংনা হায়খিবনি মদুদি, লৈঙাক্লা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিনা মীচম মীয়ামগী অরোন-অথুপ পূম্নমক মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনবা মরম্না থৌরাং অসি রাইট টু প্রাইভেসি খোঙ্গাওনবনি হায়না লৌফম থোকই।

# গুজরাটকী মীখল : বি জে পিনা মীরেপ ২৮গী মিং লাউথোকখ্রে



অহমেদবাদ, নবেম্বর ২০(এজেন্সী):
লাক্কদৌরিবা গুজরাটকী এসেমব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না মীরেপ ২৮ গী মিং লাউথোকখ্রে।

পার্টি অসিনা মীরেপশিংগী মিং লাউথোকপা হন্দক্কী অসিনা অহুম্লক-শুবনি। থাংজ নুমিৎতা বি জে পিনা মীরেপ ৩৬ কী মিং লাউথোকখিবগা লোয়ননা ইরাই নুমিৎতনা মীরেপ ৭০গী মিং লাউথোকখি। দিসেম্বর ৯ অমসুং ১৪ দা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোক্কদৌরিবা মেম্বর ১৮২ লৈবা গুজরাট এসেমব্লিগী মীখলগা মরী লৈননা হৌজিক ফাওবদা পার্টি অসিনা পুন্না মীরেপ ১৩৪গী মিং লাউথোকখ্রে।

গুজরাট এসেমব্লি ইলেক্সনগী মাঙওইননা এ বি পি-সী এস দি এসনা পাঙথোকখিবা সর্ভে অমগী মতুংইন্না হন্দক্কী মীখল অসিদা বি জে পিনা সীট ১১৩ দগীনা ১২১ ফাওবা ফংদুনা মায় পাক্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি। কোংগ্রেসনা শুপ্নগী সীট ৫৮ দগী ৬৪ ফাওবা ফংগনি হায়রি।

সর্ভেগী রিপোর্টনা হায়খি মদুদি, হন্দক্কী মীখল অসিদা বি জে পিনা অপূনবা ভোট মশীংগী চাদা ৪৭ ফংগনি। কোংগ্রেসকী ওইনদি অপূনবা ভোট মশীংগী চাদা ৪১ ফংগনি হায়রি।

ওগষ্ট থাদা পাঙথোকখিবা অহানবা সর্ভেগী রিপোর্টনা হায়খিবনি মদুদি, বি জে পিনা কোংগ্রেসতগী চাদা ৩০ হেন্দুনা মায় পাকপা য়াবগী ফীভম লৈরে।

মহাভারততা পান্দব অমদি কৌরব লান শোক্লখিবগী ৱাফম পল্লদুনা কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা গুজরাট এসেমব্লি ইলেক্সনদা কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিগী লম্বা পারিবসি অচুম্বা অমসুং অরানবগী মরক্তা শোক্লবা লান্নি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা পুলিস, আর্মি অমসুং গভর্ণমেন্টকী মেছিন্নরি পূম্নমক শীজিন্নদুনা অরানবা মওংদা মায় পাক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপা তারবসু কোংগ্রেসনা 'অচুম্বা'গী মতেংনা মীখল থেংনগনি হায়না বলসাদ দিষ্ট্রিক্টকী নানা পোন্দা টাউনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকখি।

গুজরাটকী এসেমব্লি মীখলদা বি জে পিনা মায় পাকপদা থোইদোক্লা খূদোংচাদবা মায়োক্লরোই হায়না বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিশ কুমারনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মহাক্না হায়খি, পাকিস্তান ওক্যুপাইদ কাশ্মীর (পি ও কে)বু ইন্দিয়াগী তৎন-থানদবা য়াদ্রবা শরুক অমা ওইনা লৌগদবনি। গ্রান্দ এল্লাইন্সতগী থোরক্লগা হন্দক্তা বি জে পিগা খূৎশম্নখ্রবা জে দি (য়ু)গী লুচিংবা নিটিশ কুমারনা হায়খি, য়ু পিদা পাঙথোকখিবা মীখলগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম পূম্নমক অচুম্বা ওইনা থোক্লরে। গুজরাটকী মতাংদসু বি জে পিনা মায় পাক্কনি হায়রিবা ৱাফম অসি অচুম্বা ওইনা থোক্লরগনি।

গুজরাটতা বি জে পিনা মায় পাক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়না উত্তর প্রদেশকী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা বি জে পিগী লুচিংবা কেসব প্রসাদ মৌরিয়ানা ফোঙদোকখ্রবনি।